# প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা বিস্ব-ভারতি য়ুনিভর্সিটিদা খুঙ্গং ১০০ দিভলপ তৌনবা অপিল তৌখ্রে



***শান্তিনিকেটন, মে ২৫ ঃ***

বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর সৈখ হসিনা অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগা লোয়নননা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী শান্তিনিকেটনদা ঙসি বিস্ব-ভারতি য়ুনিভর্সিটিগী কনভোকেসন হৌদোকপা অমসুং বাংলাদেশ ভবন হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অকোয়বদা লৈরিবা খুঙ্গং ১০০ দিভলপ তৌনবা বিস্ব-ভারতি য়ুনিভর্সিটিদা অপিল তৌখ্রে।

মফম অদুদা বাংলাদেশ ভবন হাংদোক্লবা তূংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ুনিভর্সিটি অদুগী মহৈরোয়শিংদা অমসুং বাংলাদেশ ভবনদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অনীমক অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা গুরুদেব রবিন্দ্রনাথ তেগোরবু নীংশিংখি। মহাক্না ৱা ঙাংবদা মালেম অসি মকোল অমত্তনি অমসুং য়ূম অমনি হায়বা রবিন্দ্রনাথ তেগোরনা হায়বিরম্বা ৱাফম অদুবু নীংশিংখি।

য়াম্না তাংনা থোকপা থৌদোক ওইনা কনভোকেসন অমদা লৈবাক অনীগী প্রাইম মিনিষ্টরশিং শরুক য়ারে। ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশ হায়বা ঐখোয়গী লৈবাক অনী অসিনা কো-ওপরেসন অমসুং কোলাবোরেসন্দা পুনশিল্লে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা য়ুনিভর্সিটি অসিনা মসিগী অকোয়বদা লৈবা খুঙ্গং ৩০ দা দিভলপমেন্টকী ৱার্ক তৌই হায়বা খঙলে। মদু তাবদা নখোয়দগী কয়া অমা হেন্না তৌরকখিগনি হায়বা অশা লৈ হায়খি। মরম অদুনা ঐনা ঐগী চল্লবা হায়জবা অমা নখোয়গী মাঙদা থল্লি।

২০২১ দা মসিগী অচৌবা ইন্সটিট্যুসন অসি চহী ১০০ মপূং ফারগনি। হায়রিবা মতম অদুদা নখোয়না হৌজিক খুঙ্গং ৫০ দা তৌরিবা অসিগুম্না খুঙ্গং ১০০ নৎত্রগা ২০০ দা পাকথোক চাউথোক্না দিভলপমেন্ট তৌবা ঙম্লোইদ্রা হায়না হংখি।

সাহিত্যদা নোভেল প্রাইজ ফংখিবা রবিন্দ্রনাথ তেগোরনা লীংখৎলম্বা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ৪৯ শুবা কনভোকেসন্দা ৱা ঙাংবদা ৱাফমশিং অসি প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।

খুঙ্গংশিং অসিদা মীয়ামগীদমক এল পি জি কনেক্সনশিং থৌরাং তৌবা য়াই। লায়না-তিন্না ঙাকথোক্লবা নুপী অঙাংশিংদা হিদাক কাপথোকপা য়াই অমসুং দিজিটেল কনেক্টিভিটি পীবা য়াই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

বাংলাদেশ অমসুং ইন্দিয়া লৈবাক অনী অসিনা তেংবাংনবা অমসুং অমনা অমগগী ৱাখল খঙনবগী লীপুন অমনা পুল্লি। ঐখোয়গী কলচর নৎত্রগা পব্লিক পোলিসিদা থোইনা খেন্নবা লৈতে। লৈবাক অনীনা অমনা অমদগী তম্নিংঙাই ময়াম অমা লৈ। অপূনবগী লীপুন কয়া লৈ। শন্তিনিকেটন অসিসু বৃটিশনা নৎত্রগা পার্টিসনগী পোলিটিক্সনা খাইদোকপা ঙম্লোইদবা য়ুনিটিগী শিম্বোল অমনি হায়খি।

মুজিবর রেহমনবু বাংলাদেশনা ইকায়খূম্নবগুম্না ইন্দিয়ানসু চপ চানা ইকায়খুম্নে। রবিন্দ্রনাথ তেগোর, স্বামি বিবেকানন্দ অমসুং অতৈ কয়া অমবু বাংলাদেশতা য়াম্না ইকায়খুম্নে। বাংলাদেশতা রবিন্দ্রনাথপু ইকায়খুম্নরিবা অদুগুম্না কাজি নজ্রুলবু ৱেষ্ট বেঙ্গলদা য়াম্না ইকায়খুম্নে।

ঐহাক্না বাংলাদেশ প্রাইম মিনিষ্টর সৈখ হসিনাবু অমসুং বাংলাদেশকী মীয়াম্বু মখোয়গী অহানবা সেটিলাইট থাগৎলকপগীদমক নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি। স্পেস টেক্নোলোজিগী লমদা মতূংদসু লৈবাক অনীনা অমুক্কা হেন্না তেংবাংনগনি অশা তৌরি হায়না নরেন্দ্র মোদিনা মখা তাখি।

# কুমারাস্বামি থাজবগী ভোটতা মায় পাকখ্রে

***বেঙ্গলুরু, মে ২৫ ঃ***

কর্নাটকা এসেমব্লিদা ওপোজিসন বি জে পি মেম্বরশিংনা চীফ মিনিষ্টর ঐচ দি কুমারাস্বামিদা অকনবা ৱাফম অমা শীংনরম্লগা এসেমব্লিদগী মপান থোকখ্রবগী মীকুপ খরগী তুংদা এসেমব্লি অদুদা পাঙথোকখিবা থাজবগী ভোটতা জনতা দল সেক্যুলর (জে দি এস)-কংগ্রেস চুঙশিন্নবা সরকারনা মায় পাকখ্রে।

এসেমব্লিদগী মপান থোকখিবা অদু লুচিংবা অদুদা বি এস য়েদ্দুয়েরপ্পানা হায়রমখি-নখোয়গী মশীং লৈরে, অদুবু নহাক কয়াম কুইনা লৈবা ঙমগদগে য়েংশি।

এসেমব্লিদগী পার্টিগী এম এল এ শিং লুচিংলদুনা মপান থোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মিষ্টর য়েদ্দুয়েরপ্পানা করিগুম্বা নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা ফার্মরশিংগী লোন কোকথোক্ত্রবদি অচৌবা ৱাথোক মায়োক্লগনি হায়না অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিদা ৱার্নিং তৌখি।

য়ূমশকৈশা নুমিত্তা ৱাশক লৌখিবা মশাগী চহী ৫৮ শুরবা জে দি (এস) লীদর কুমারাস্বামিনা ভোইস ভোটতা থাজবগী ভোট অদু মায় পাকখি। হাউস অসিদা জে দি এস-কংগ্রেস-বি এস পি কোলিসনগী মেম্বর ১১৭ না মহাকপু শৌগৎলি।

বি জে পি না স্পিকরগী ফম পুহন্নবা মখোয়গী কেন্দিদেট ৱিদ্রো তৌখিবদগী পাঙ্গল চাংয়েংগী হেক মমাঙদা কংগ্রেসকী রমেস কুমারবু মোত অমত্তা ওইনা স্পিকর ওইনা খনখি। বি জে পি গী নাকন্দগী পুথোরকখিবা স্পিকরগী কেন্দিদেট সুরেস কুমার ৱিদ্রো তৌবগী মতাংদা য়েদ্দিয়ুরপ্পানা হায়খি, স্পিকরগী ফম অসিগী মতিক ঙাক্না থম্নবগীদমক ফম অসিগী মীখলদা মোত অমত্তা ওইবা উৎপা পাম্মী।

# আর্জুন বাজপাইনা মিটর ৮,০০০ হেনবা চীংদোল তরুক কাবা ঙম্বা মালেমগী খ্বাইদগী নহা ওইবা চীংকারোয় ওইরে

***কাঠমন্দু, মে ২৫ ঃ***

ইন্দিয়গী চীংকারোয় আর্জুন বাজপাইনা চয়োল অসিদা মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী ৱাংবা অহুমশুবা অমসুং খুদোংথিনিংঙাই ওইবা চীংদোল কানচেনজঙ্গ কাবা ঙম্বগা লোয়নননা মিটির ৮,০০০ হেন্না ৱাংবা চীংদোল তরুক কাদুনা মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী নহা ওইবা চীংকারোয় ওইরে।



মে ২০ দা নোইদাদা লৈবা চীংকারোয় অসিনা মিটর ৮,৫৮৬ ৱাংবা কাচেনজঙ্গ চীংদোল অয়ূক পুং ৮.০৫ তা কাখি। অদুবু নোং-চিংগী ফিভম শাথিনা ফৎতবনা এদভান্স বেজ কেম্পতগী শগোলশেন নুমিৎ ফাওবা কুমথরকপা ঙমখিদে। ২০১০ দা মশাগী চহী ১৬ শুবদা মিষ্টর বাজপাইনা মাউন্ট এভরেষ্ট কাবদা খ্বাইদগী নহা ওইবা অহুমশুবা মীওই ওইখি। এপ্রিল ২৬ তা মহাক্কী কাচেনজঙ্গ চীংদোল য়ৌনবগী খোঙচৎ অদু মিটর ৫,৪০০ ৱাংবদা লৈবা এদভান্স বেজ কেম্পতগী হৌখি। খোঙচৎ অসিদা মাউন্টেন দ্যু ইন্দিয়াগী রিস্ক তেক্করস ওফ ইন্দিয়া কেম্পেন্না মহাকপু শৌগৎখি।

আর্জুন বাজপাইনা মায় পাকখিবগী নুংঙাইবা চাউথোকচবা অদু শরুক য়ারদুনা মাউন্টেন দ্যু, পেপসিকো ইন্দিয়াগী দিরেক্তর নাসিব পুরিনা হায়খি, মাউন্টেন দ্যুদা লৈরিবা ঐখোয়না রেকোর্দ থুগাইবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ। বাজপাইবু ঐখোয়না অহানবা উন্নবা মক্তদা মহাক্না ঐখোয়বু পূক্নীং শুক্হৎখি।

মশাগী চহী ১০ শুরকপদগী হৌনা চীং কাবগী শিনফমদা খোঙদারক্লবা বাজপাইনা ২০১০ দা মাউন্ট এভরেষ্ট (মিটর ৮,৮৪৮), মাউন্ট মনাস্লু (মিটর ৮,১৬৩) অমসুং ২০১১ দা মাউন্ট লোটসে (মিটর ৮,৫১৬), ২০১৬ তা মাউন্ট মকালু (মিটর ৮,৪৮৬) অমসুং মাউন্ট চো ও য়ু (মিটর ৮,২০১) কাখি হায়না চীং কাবগী অচৌবা রেকোর্দশিং থল্লিবা হিমালয়ান দটাবেজনা হায়রি।

মহাক্কী মথংগী অশা অসি মিটর ৮,০০০ হেন্না ৱাংবা চীংদোল ১৪ মক লোয়না কাবা হায়বসিনি। পান্দম অসি ফংনবগীদমক সমুদ্র ইমায়গী মথক্তা মিটর ৮,০২৭ ৱাংদুনা লৈরিবা শিসাপঙ্গমা মাউন্টেন হায়বা টিবেটতা লৈরিবা চীংদোল অদু কানবা মহাক্না অশা তৌরি।

# তামিল নাদুনা বেদান্তগী কোপ্পর প্লান্ট মতম পূম্বগী ওইনা থিংজিন্নবা হোৎনরগনি ঃ *ওফিসিয়েল*

***কুথুকুদি, মে ২৫ ঃ***

ইনভাইরোনমেন্টেল গ্রাউন্দদা মতম পূম্বগী ওইনা থিংজিন্নবা প্রোটেষ্টৈশিং তৌবদা মীওই ১৩ শিখ্রবা লন্দন-লিষ্টেদ বেদান্ত রিসোর্সেসনা চলাইবা অচৌবা কোপ্পর স্মেলটর প্লান্ট অদু মতম পূম্বগী ওইনা থিংজন্নবা হোৎনরগনি হায়না ঙসি তামিল নাদু সরকারনা ফোঙদোকখ্রে।

প্লান্ট অদু লৈরিবা দিষ্ট্রিক্টকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল অদুনা ষ্টেটকী অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগা মীফম অমা পাঙথোক্লুরবগী তুংদা ফোঙদোকপদা গভর্ণমেন্টকী ফিরেপ অদু য়াম্নমক ময়েক শেংই। প্লান্ট অদু চলাইহনবা পামদে হায়খি।

হিথাংবম সিটি কুথুকুদিদা লৈরিবা কোপ্পর স্মেলটর প্লান্ট অদু শোয়দনমক থিংজিনগদবনি হায়না দিমান্দ তৌবা প্রোটেষ্টরশিংগী মথক্তা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই কয়ামরুম শিখি। চয়োল অসিদা পূন্না শিখিবা প্রোটেষ্টর মশীং ১৩ শুখ্রে।

য়ূমশকৈশা নুমিত্তা থোকখিবা ওর্দর অমদা তামিল নাদু পোলুসন কন্ত্রোল বোর্দনা ফোঙদোকপদা ২০১৮-২০২৩ ফাওবগী রিন্যুৱেল তৌগদবা অদু মখোয়না কন্দিসন কয়ামরুম ঙাক্তবদগী ককথৎলে হায়খি।

কোপ্পর স্মেলটর প্লান্ট অদুনা ঙাক্তে হায়রিবা কন্দিসনশিং অদু করি করিনো হায়বা চেরোল অদুনা ময়েক শেংনা ফোঙদোক্তে। অদুবু প্লান্ট অদুদা পীবা পৱার সপ্লাই ককথৎলগনি অমসুং খুদক্তগী থিংজিল্লগনি হায়খি।

হৌজিক গভর্ণমেন্টতগী অয়াবা ফংদনা বেদান্তনা প্লান্ট অদুগী থবক চথবা ঙমদ্রে হায়না পাঊগী এজেন্সিনা হায়রি। ঙরাং শগোলশেন নুমিত্তা কম্পেনি অসিগী ইন্দিয়ান ষ্টোক ২ পার্সেন্ট নেম্না ক্লোস তৌখি। প্লান্ট অসি হান্নন নুমিৎ ৫০ নি হেন্না থিংজিন্দুনা লৈরম্লবনি অমসুং পন্দুনা লৈরিবা ইনভাইরোনমেন্টল ক্লিয়ারেন্সি তৌদ্রিবা ফাওবা য়ামদ্রবদা জুন ৬ ফাওবা থোঙ লোনশিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে হায়রি।

# লিন্না চিকপা মমাগী খোম থক্লুবী মচানুপী মমাগা লোয়ননা শিখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মে ২৫ ঃ***

তুল্লিঙৈদা লিন অমনা চিকখিবা নুপী অমনা মদু খঙদনা মাগী হু চেল্লবা খোম অদু মচানুপীদা পীথক্লুবদগী মমা-মচা অনীমক শিখ্রে হায়না ঙসি পুলিসকী পাউনা হায়রি।

উত্তর প্রদেশতগী চহী ৫৫ শুরবী নুপী অদুনা মহাক লিন্না চিকখ্রে হায়বসি খঙজখিদে অমসুং তুল্লবদগী হৌগৎলক্লগা মচানুপীদা খোম পীথকখি। মশাগী চহী অহুম শুরবী মচানুপী অদুনা মমা অদুগা ঙরাং শগোলশেন নুমিত্তা মশা ঙমলকখিদে অমসুং মখোয়না লায়েংনবা হোস্পিটাল য়ৌবা ঙমদ্রিঙৈগী মমাঙদা মখোয় অনীমক শিখি হায়না পুলিস ইন্সপেক্তর বিজয় সিংহনা হায়খি।

ইমুং মনুং অদুনা লিন অদু অতোপ্পা কা অমদা লৈরম্বা থেংনখি। অদুবু নাপ্থোক্তুনা চৎখ্রে। অমেরিকান সোসাইটি ওফ ট্রোপিকেল মেদিসিন এন্দ হাইজিননা ২০১১ দা চৎখিবা ষ্টদি অমগী মতূং ইন্না পৃথিবীদা চহী খুদিংগী লিন্না চীকপদগী মীওই লাক্ষ অমা শিবগী মনুংদা ইন্দিয়াদা মীওই ৪৬,০০০ শি হায়রি।

# মী অমা মচেৎ মচেৎ কক্লগা থমলম্লে

***ন্যু দিল্লি, মে ২৫ ঃ***

সাউথ ৱেষ্ট দিল্লিগী বাবা হরিদাস নাগরদা লৈবা ময়ূমদগী মে ১২ দগী মাঙখিবা মশাগী চহী ২১ শুরবা সচিন যাদবপু মচেৎ মচেৎ কক্লগা সেপটিক তেঙ্ক অমগী মনুংদা লোৎশিন্দুনা থমলম্লে।

তুজুংলবা থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙরাং দিল্লি পুলিসনা মীওই অনী ফারে। ফারবা মীওইশিং অদুদি বরুন (২৬) অমসুং মশেন্নুপা রিতুরাজ (২৪) মখোয় অনীনা নুপামচা অদুবু ফারগা থাঙনা মচেৎ মচেৎ ককথৎলগা দ্বার্কাদা লৈবা মী লৈতবা য়ূম অমগী মনুংদা লৈবা সেপটি তেঙ্ক অমগী মনুংদা থমজিল্লম্বনি।

# নোর্থ কোরিয়াগা ৱারী শান্নগদবা য়ু এস না তোকখিবদা সাউথ কোরিয়ানশিং শাওখ্রে




***সিওল, মে ২৫ ঃ***

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম থাদোকহন্নবগী মতাংদা লৈবাক অসিগী লুচিংবা কিম জোং উনগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা জুন ১২ দা সিঙ্গাপোরদা উন্নবা মতম থানখ্রবসু য়ু এস প্রসিদেন্টনা উন্নবা অদু তোক্লগনি হায়না ঙরাং লাওথোক্তুনা খোঙফম হন্দোকখিবদা সাউথ কোরিয়ানশিংনা অশাওবা ফোঙদোকখ্রে।

জুন ১২ দা উন্নগদৌরিবা অকূপ্পা হীরমশিং ময়েক শেংনা খঙদ্রি। অদুবু থাজবা হেনগৎহন্নবগীদমক নোর্থ কোরিয়ানা মখোয়গী ন্যুক্লিয়ার টেষ্ট সাইট থুগাইদুনা মাঙ-তাকহনখি অমসুং মদু ফোরেন জর্নেলিষ্টশিংবু য়েংহনখিবনি। অদুবু নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ার টেষ্ট সাইট থুগাইগনি হায়বা ৱাশক অদু ঙাকখিবগী পূং খরদগী মতূংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা সিঙ্গাপোরদা শান্নগদবা ৱারী অদু তোক্লগনি হায়না ঙরাং লাওথোক্লককখিবনি।

য়ু এস প্রসিদেন্টনা লুচিংবা অনী ৱারী শান্নগদবা অদু তোক্লবগী ৱারেপ অদু নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিমদা মশামক্না ইবা চিঠি অমগী মওংদনি। কোন্না অকূপ্পা মরোল অদু য়ু এস কী সেনিয়ার এদমিনিষ্ট্রেসন ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখি।

নোর্থ কোরিয়ানা থাজবা হাৎপগী থৌওং অমা উৎলে হায়না মহাক্না হায়খি। পাউমীশিংদা ওফিসিয়েল অদুনা ফোঙদোকপদা পিওংয়াংদগী ৱাশক কয়ামরুম থুগাইরকখ্রে হায়খি।

নোর্থ কোরিয়ান লীদর কিম জোং উন্দা ইবা য়ু এস প্রসিদেন্টগী চিঠি অদু প্রসিদেন্ট মশামক্না ৱাহৈ খুদিংমক হায়রগা ইহনবনি হায়না ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি। চিঠি অদুদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হায়খি, হন্দক নহাক্কী খ্বাইদগী নৌবা ষ্টেটমেন্টতা শাথিনা অশাওবা অমসুং ফোঙনা য়েংথিবা উৎপা অদু নুংঙাইতে। মতম শাংনদগী থৌরাং তৌরবা উন্নবা অদু তাঙ্কক অসিদা মতাং চান্নদ্রে হায়না ঐনা খল্লি। নহাক্না নঙগী ন্যুক্লিয়ারগী তৌবা ঙম্বশিংগী মতাংদা ঙাংলি। অদুবু ঐখোয়গী লৈরিবা অসিদি অশুক্কী মতীক য়ামখ্রে অমসুং শক্তি লৈ মদুদি মখোয় অদু কৈদৌঙৈদা শীজিন্নদবা হায়বসি ঐনা ইশ্বরগী মফমদা হায়জরি।

য়ু এস প্রসিদেন্টনা ইতিহাসিক ওইবা শরুক অমদগী তোকখিবা অদু সাউথ কোরিয়ানশিংনা কন্না শাওবা ফোঙদোকখ্রে। ৱারী শান্নবগীদমক য়ু এস না দিমান্দ তৌখিবা খুদিংমক নোর্থ কোরিয়ানা পাঙথোক্লুবা হোৎনখ্রে। মখোয়না মখোয়গী ন্যুক্লিয়ার টেষ্ট সাইট থুগাইদুনা মাঙ-তাকহনখে। অদুবু য়ু এস না ৱারী শান্নগদবা অদুদগী খোঙফম হন্দোকখ্রে। ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা শান্তি লৈহনবদা য়ু এস প্রসিদেন্টগী অপাম্বা লৈত্রে।

সাউথ কোরিয়াগী কোনুং সিওলদা লৈবা য়ু এস এম্বেসি মনাক্তা লৈবা সাউথ কোরিয়ান নুপীশিংনা প্রোটেষ্ট চৎখদুনা য়ু এস দোনাল্ড ট্রম্পকী মায়োক্তা খোল্লও লাওখি। দোনাল্ড ট্রম্পকী অয়েকপা শক্তমশিং মচেৎ মচেৎ শেগাইদুনা মহাকপু য়ানিংদবা উত্তুনা ঙসি সিওল য়ুনিভর্সিটি মহৈরোয়শিং অমসুং নুপীশিংগী রাইটস এক্টিভিষ্টশিংনা তোঙান তোঙানবা প্রোটেষ্ট রেলিশিং চৎখি।

# চাইনিজ বোম্বরশিংনা টাইৱানগী অকোয়বদা পাইখ্রে

***টাইপৈ, মে ২৫ ঃ***



মশা মতোমতা লৈঙাকচবা ঈথৎ লৈবাক টাইৱানগী অকোয়বদা চাইনাগী লানগী বোম্বর প্লেনশিং পাইরকখ্রে। মদুদা টাইৱানগী এয়ারফোর্সনসু মখোয়গী প্লেন পাইখৎতুনা শেন্নখ্রে হায়রি।

টাইৱান ঈথৎ লৈবাক অসি চাইনানা খ্বাইদগী নুংনাংদুনা লৈবা লমগী চয়েৎনবা ৱাথোক অমা ওইরিবনি। করিগুম্বদা খুদোংথিনিঙাই ওইবা মুক্লবা ফাওবা থোক্লককপা য়ারিবনি।

ঈথৎ লৈবাক অসিবু চাইনানা মখোয়গী লমনি হায়না লৌরিবনি অমসুং টাইৱান্না করিগুম্বা তোঙান তাবগী ঈহৌ হৌরকপা তারবদি মদুগুম্বা পূম্নমক অদু থিংগনি হায়না চাইনানা ৱাশক্লিবনি।

ঈথৎ অসি ফোর্মেল ওইনা নীংতম্লে হায়না লাওথোক্লবগীদমক মসিগী প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেন্না অপাম্বা উৎলকখিবদা হন্দক থা খরগী মমাঙদা চাইনাগা উংখৎনবা হেনগৎলকখি। টাইৱানগী প্রসিদেন্ট নুপী অসিনা ২০১৬ তগী থবক পায়রকখিবনি।

টাইৱানগী অকোয়বদা হন্দক চাইনাগী লানগী বোম্বর প্লেনশিং কোয়না পাইরকখিবা অদুদা ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা বাসি কেনেল ফাওনা চৎখি। কেনেল অসি ফিলিপিন্সকা টাইৱানগা অনীগী মরক্তা লৈবনি।

চাইনাগী ঐচ-৬ বোম্বর অনীনা জপানগী মিয়াকো ষ্ট্রেট ফাওদুনা টাইৱানগী অৱাং নোংপোকলোমদা চৎলগা টাইৱানগী অকোয়বদা পাইখিবনি হায়না ঈথৎ অসিগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি। চাইনাগী বোম্বরশিং অদুবু টাইৱানগী প্লেন অনী পাইখৎতুনা মোনিটর তৌখি হায়রি।

# তোরোন্তোগী ইন্দিয়ান রেষ্টোরেন্টতা পোকখাইবদা ১৫ শোকখ্রে

***সিওল, মে ২৫ ঃ***

তোরোন্তোগী মপান্দা মোম্বে ভেল কৌবা ইন্দিয়ান রেষ্টোরেন্ট অমদা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা পোকখাইবগী থৌদোক অমদা মীওই ১৫ শোক্লে। মখোয়গী মনুংদা মীওই অহুম অরুবা ফিভমদা শোকই হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

ঙরাং নুমিদাং পূং ১০.৩০ রোম তাবদা থোকখিবা পোকখাইবগী থৌদোক অদুদা করম্না থোকখিবনো হায়বদু থিজিল্লি। চেন্নরম্বা য়াবা মীওই অনী ফানবা পুলিসনা কোয়থি থিরি। মখোয়না রেষ্টোরেন্ট অদুগী মনুংদা ইম্প্রোভাইস এক্সপ্লোসিপ দিভাইস (আই ই দি) পোকখাইহল্লগা মফমদু থাদোক্তুনা চেনখিবনি হায়রি। পুলিসনা চিংনবা মীওই অনী অদুগী ফোটো থাদোরকখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ইন্দিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা তোরোন্তোদা লৈবা ইন্দিয়ান ওফিসিয়েলশিংগা গভর্ণমেন্টকা তত্তনা পাউ ফাওনরি হায়খি।

## GAS TODAY

**Imphal LPG Service**
Booking : 23/05/18
Sl. No. 14200
Valid :01/12/17
Stk : 918/19kg 95
Delivery at Heinoupok Godown

**Hranchal Gas Agency**
Booking : 20/04/18
Valid : 26/04/18
Stk : 270
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 26/04/18
Sl. No. 150
Valid : 24/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**M M Gas**
Booking : 20/04/18
Valid : 16/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 761.50/-

**Misao Gas Service**
Booking : 14/04/18
Valid : 02/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 19/04/18
Sl. No. 7550
Valid : 14/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Canchi Indane Service**
Booking : 24/04/18
Valid : 18/04/18
Stk : 612/19 kg 60
Rate : Rs 761.50/-
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Sawombung Indane**
Booking : 20/04/18
Valid : 15/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**TDK Gas, Sekmai**
Booking : 17/04/18
Valid : 11/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Athokpam Indane**
Booking : 07/04/18
Valid : 02/04/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**RBD Gas**
Booking : 16/04/18
Valid : 04/04/18
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 p.m

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 23/05/18
Valid : 20/05/18
Stk : 306/19kg Available
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Manipur Gas**
Booking : 05/04/18
Valid : 04/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 11/04/18
Valid : 02/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**সনা-সুদোকু -১১৭৭ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 2 | 4 | 8 | 5 | 7 | 3 | 1 | 6 |
| 5 | 7 | 3 | 9 | 1 | 6 | 2 | 4 | 8 |
| 8 | 1 | 6 | 4 | 2 | 3 | 7 | 9 | 5 |
| 7 | 8 | 9 | 5 | 6 | 2 | 4 | 3 | 1 |
| 2 | 6 | 5 | 3 | 4 | 1 | 8 | 7 | 9 |
| 4 | 3 | 1 | 7 | 8 | 9 | 5 | 6 | 2 |
| 6 | 5 | 7 | 2 | 9 | 4 | 1 | 8 | 3 |
| 3 | 9 | 8 | 1 | 7 | 5 | 6 | 2 | 4 |
| 1 | 4 | 2 | 6 | 3 | 8 | 9 | 5 | 7 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1178**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 2 | | | | | 4 | | |
| 1 | | | 5 | | | | | |
| | 6 | | | 1 | | | 8 | 2 |
| | | 5 | 7 | | | | | |
| | | 1 | 2 | 6 | | | | |
| | | | | | | 3 | | |
| | | 8 | | | | | 6 | |
| 2 | | | 4 | 5 | | | 1 | 8 |
| 9 | | 6 | 3 | | 2 | | | |

RST Resonant Tutorials — Imparting light to Medical aspirants
RESONANT TUTORIALS
Imparting Light to Medical Aspirants
SL/Bill (upto 12 June)
ADMISSION OPEN
Regular Course for Medical Entrance Exam
NEET (UG) - 2019
Class Commence : 21st June, 2018
Last Date of Admission : 19th June, 2018
Separate Section For Purely English Medium.
Hostel facility for Boys & Girls.
For more details, pliz contact: Resonant Office
Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank
Office Timing: 8:00 a.m. - 4:00 p.m.